আর্বিন্দ কেজ্রিৱাল এপ্রিল ১৫ ফাওবা জুদিসিয়েল কষ্টদিদা থমখ্রে
'পি এম মোদিগী থৌওং লৈবাক অসিগী অফবা ওইরোই'

ন্যু দেল্লি, এপ্রিল ০১ (এজেন্সি) : দেল্লি এক্সাইজ পোলিসি মনি লোন্দরিং কেস অমগা মরী লৈননা এনফোর্সমেন্ট দিরেক্টরেট (ই দি) না মখোয়গী কষ্টদিদা থল্লকখিবা দেল্লিগী চিফ মিনিষ্টর আর্বিন্দ কেজ্রিৱাল ঙসি রাউস এভেন্যু কোর্টতা স্পেসিয়েল জজ কাবেরি বাৱেজাগী মমাংদা পুথোক্লবা মতুংদা এপ্রিল ১৫ ফাওবা জুদিসিয়েল কষ্টদিদা থম্নবা খঙহল্লকখ্রে হায়রি।

কেজ্রিৱালবু কোর্ট কমপ্লেক্সতা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎতুনা পুশিল্লকপা মতমদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙবদা মহাক্না পি এম মোদিনা লৈবাক অসিদা শুপ্নম সাসন তৌবগুম্না তৌনিংবদা তৌরিবা অসি অফবা খক ওইরোই হায়নসু ফোঙদোল্লমখি হায়রি।

ই দি না কেজ্রিৱালবু মখোয়গী কষ্টদিদা ইন্টরোগেসন তৌনবা থল্লকপনি অদুবু হৌজিক্তী মখা তানা মথৌ তাদ্রে হায়রদুনা মহাকপু জুদিসিয়েল কষ্টদিদা থমখিনবা এপ্লিকেসন অমা কোর্ট অদুদা থাঙ্গৎলকখি।

মসিগী মতুং ইন্না আর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা কোর্ট অসিদা মহাক্না জুদিসিয়েল কষ্টদিদা চংবা মতমদা হিদাক লাংথক, ভগবদ গীতা, রামায়ন অমসুং নীরাজ চৌধরিনা ইবা 'হাউ প্রাইম মিনিষ্টরস দিসাইদ' হায়রিবা লাইরিক অসি পুশিনবা য়ানবা পার্মিসন পীবীয়ু হায়না এপ্লিকেসন অমা থাঙ্গৎলকখি।

ঙরাং আই এন দি আই এ ব্লোকনা শিন্দুনা দেল্লিদা চৎখিবা রেল্লি অদুদা কেজ্রিৱালগী লোয়নবী সুনিতানা মীয়ামদা ৱা ঙাঙবদা পি এম মোদিনা মহাক্কী মপুরোইববু জেলদা থমজিনবনি। খোঙথাং অসি মীয়াম্না অচুম অরান মুন্না খন্থবীয়ু। মীখল মমাংদা সেন্ত্রেল এজেন্সি শিজিন্নদুনা ওপোজিসনদা চথরক্লিবা লাল্লোং অসি লৈবাক অসিগী অফবা পুরকদৌবা পার্টীগী লিচৎ নত্তে হায়খি।

আর্বিন্দ কেজ্রিৱাল দেল্লিগী জনকপুরিদা লৈবা টিহার জেলদা এপ্রিল ১৫ ফাওবা লৈগদৌরি।

টর্কিগী ইলেক্সনদা ওপোজিসন পার্টিনা মরুওইবা সিটিশিং ফংখ্রে

ষ্টানবুল, এপ্রিল ০১ (এজেন্সি) : টর্কিদা পাঙথোকখিবা লোকেল ইলেক্সনদা হৌজিক প্রসিদেন্ট ওইরিবা রিসেপ টায়িপ ইর্দোগানগী জষ্টিস এন্দ দিভলপমেন্ট (এ কে) পার্টিবু ওপোজিসন পার্টি ওইরিবা রিপব্লিকান পিপলস পার্টিনা লৈবাক অসিগী মরুওইবা সিটিশিংদা মায়থিবা পীখ্রে হায়রি।

লৈবাকসিগী কেপিটেল ওইরিবা অনকারা অমসুং ষ্টানবুল য়াওনা অতোপ্পা সিটি কয়াদা মায়থিবা ফংখ্রবা টায়িপকী পার্টি অসিনা ইলেক্সন অসিদা মমাংদা মায় পাকপা ঙমখিদবা সিটিশিং অসি শোয়দনা লৌশিনবা ঙম্লগনি খন্দুনা ইলেক্সন থেংনখিবনি।

চহী ৫ গী ওইনা সিটি মেয়র, দিষ্ট্রিক্ট মেয়র অমসুং অতোপ্পা লোকেল ওফিসিয়েলশিং খন্নবা পাঙথোক্লিবা ইলেক্সন অসিগী প্রিলিমিনরি রিজল্টতা রিপব্লিকান পিপলস পার্টিনা ম্যুনিসিপালিটি ৮১ গী মনুংদা ৪৯ মায় পাকখি। মসিগী মনুংদগী অর্বান এরিয়া ৩০ গী মনুংদা ১৪ দি পার্টি অসিনা মায় পাকপা ঙমখিবনি হায়রি।

টায়িপকী রাইবেল ওইরিবা ওপোজিসন লিদর ইক্রেম ইমামোগ্লুসু ষ্টানবুলদা ভোট চাদা ৫১.১ ফংদুনা সিটি অসিগী মেয়র ওইনা মায় পাক্লকখ্রে।

ইন্দিয়ান সাড়ি থমজিল্লগা 'বোয়কোট ইন্দিয়া' গী খোঙজং ইকায়নিংঙাইনি : শৈখ হাসিনা

ধাকা, এপ্রিল ০১ (এজেন্সি) : বাংলাদেশকী প্রাইম মিনিষ্টর শৈখ হাসিনানা লৈবাক অসিগী ওপোজিসন পার্টি ওইরিবা বাংলাদেশ নেসনেলিষ্ট পার্টি (বি এন পি) না ইন্দিয়াগী পোৎলমশিংবু বোয়কোট তৌবগী খোঙজং চংশিল্লিবা অসি মখোয় মখোয়গী য়ুমশিংদা ইন্দিয়ানা শাবা সাড়ি কয়া পৈশিন্দুনা থল্লগা লল্লোন ইতিক্কী থবক চত্থরিবা অদু হান্না থাদোক্কনা বোয়কোট তৌগনি হায়বসি ইকায়নিংঙাইনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

অৱামি লিগ পার্টিদগী থোরকখিবা হাসিনানা মহাকপু ওপোজিসনগী কাংবুনা ইন্দিয়া শৌগৎপা লুচিংবীনি অমসুং ইলেক্সন্দা ইন্দিয়ানা মতেং পাংবদগী কারকখিবনি হায়রিবদু যুম্ফম য়াওদবনি। যুমথংনবা লৈবাক অমগা অফবা মরী থম্নবা হোৎনবা হায়বসিদি লুচিংবা অমা ওইবগী থৌদাংনি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা বি এন পিগী ৱার্করশিং অমসুং লুচিংবশিংগী নুপীশিংনা মখোয়গী ময়ুমদা ইন্দিয়ানা শাবা সাড়ি পৈশিন্দুনা থল্লিবশিং অদু মখোয়গী ওফিস মমাংদা মৈ থাদুনা মাঙহল্লবা মতমদা 'বোয়কোট ইন্দিয়া' গী অশেংবা শক্তম অদু উবা ফংগনি হায়খি। শৈখ হাসিনা অসি হৌখিবা জন্যুৱারীদা পাঙথোকখিবা ইলেক্সন্দা মায় পাক্তুনা পি এম ওইরকখিবনি।

ꯏꯟꯗꯤꯌꯥꯟ ꯁꯥꯔꯤ ꯊꯝꯖꯤꯜꯂꯒꯥ 'ꯕꯣꯌꯀꯣꯠ ꯏꯟꯗꯤꯌꯥ' ꯒꯤ ꯈꯣꯡꯖꯪ ꯏꯀꯥꯏꯅꯤꯡꯉꯥꯏꯅꯤ : ꯁꯩꯈ ꯍꯥꯁꯤꯅꯥ

ꯙꯥꯀꯥ, ꯑꯦꯄ꯭ꯔꯤꯜ ꯰꯱ (ꯑꯦꯖꯦꯟꯁꯤ): ꯕꯥꯡꯂꯥꯗꯦꯁꯀꯤ ꯄ꯭ꯔꯥꯏꯝ ꯃꯤꯅꯤꯁ꯭ꯇꯔ ꯁꯩꯈ ꯍꯥꯁꯤꯅꯥꯅꯥ ꯂꯩꯕꯥꯛ ꯑꯁꯤꯒꯤ ꯑꯣꯄꯣꯖꯤꯁꯟ ꯄꯥꯔꯇꯤ ꯑꯣꯏꯔꯤꯕꯥ ꯕꯥꯡꯂꯥꯗꯦꯁ ꯅꯦꯁꯅꯦꯂꯤꯁ꯭ꯠ ꯄꯥꯔꯇꯤ (ꯕꯤ ꯑꯦꯟ ꯄꯤ) ꯅꯥ ꯏꯟꯗꯤꯌꯥꯒꯤ ꯄꯣꯠꯂꯃꯁꯤꯡꯕꯨ ꯕꯣꯌꯀꯣꯠ ꯇꯧꯕꯒꯤ ꯈꯣꯡꯖꯪ ꯆꯪꯁꯤꯜꯂꯤꯕꯥ ꯑꯁꯤ ꯃꯈꯣꯌ ꯃꯈꯣꯌꯒꯤ ꯌꯨꯃꯁꯤꯡꯗꯥ ꯏꯟꯗꯤꯌꯥꯅꯥ ꯁꯥꯕꯥ ꯁꯥꯔꯤ ꯀꯌꯥ ꯄꯩꯁꯤꯟꯗꯨꯅꯥ ꯊꯜꯂꯒꯥ ꯂꯜꯂꯣꯟ ꯏꯇꯤꯛꯀꯤ ꯊꯕꯛ ꯆꯠꯊꯔꯤꯕꯥ ꯑꯗꯨ ꯍꯥꯟꯅꯥ ꯊꯥꯗꯣꯛꯀꯅꯥ ꯕꯣꯌꯀꯣꯠ ꯇꯧꯒꯅꯤ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤ ꯏꯀꯥꯏꯅꯤꯡꯉꯥꯏꯅꯤ ꯍꯥꯌꯅꯥ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯈ꯭ꯔꯦ꯫

ꯑꯋꯥꯃꯤ ꯂꯤꯒ ꯄꯥꯔꯇꯤꯗꯒꯤ ꯊꯣꯔꯛꯈꯤꯕꯥ ꯍꯥꯁꯤꯅꯥꯅꯥ ꯃꯍꯥꯛꯄꯨ ꯑꯣꯄꯣꯖꯤꯁꯅꯒꯤ ꯀꯥꯡꯕꯨꯅꯥ ꯏꯟꯗꯤꯌꯥ ꯁꯧꯒꯠꯄꯥ ꯂꯨꯆꯤꯡꯕꯤꯅꯤ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯏꯂꯦꯛꯁꯟꯗꯥ ꯏꯟꯗꯤꯌꯥꯅꯥ ꯃꯇꯦꯡ ꯄꯥꯡꯕꯗꯒꯤ ꯀꯥꯔꯛꯈꯤꯕꯅꯤ ꯍꯥꯌꯔꯤꯕꯗꯨ ꯌꯨꯝꯐꯝ ꯌꯥꯑꯣꯗꯕꯅꯤ꯫ ꯌꯨꯝꯊꯪꯅꯕꯥ ꯂꯩꯕꯥꯛ ꯑꯃꯒꯥ ꯑꯐꯕꯥ ꯃꯔꯤ ꯊꯝꯕꯥ ꯍꯣꯠꯅꯕꯥ ꯍꯥꯌꯕꯁꯤꯗꯤ ꯂꯨꯆꯤꯡꯕꯥ ꯑꯃꯥ ꯑꯣꯏꯕꯒꯤ ꯊꯧꯗꯥꯡꯅꯤ ꯍꯥꯌꯈꯤ꯫

ꯃꯍꯥꯛꯅꯥ ꯃꯈꯥ ꯇꯥꯅꯥ ꯕꯤ ꯑꯦꯟ ꯄꯤꯒꯤ ꯋꯥꯔꯀꯔꯁꯤꯡ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯂꯨꯆꯤꯡꯕꯁꯤꯡꯒꯤ ꯅꯨꯄꯤꯁꯤꯡꯅꯥ ꯃꯈꯣꯌꯒꯤ ꯃꯌꯨꯝꯗꯥ ꯏꯟꯗꯤꯌꯥꯅꯥ ꯁꯥꯕꯥ ꯁꯥꯔꯤ ꯄꯩꯁꯤꯟꯗꯨꯅꯥ ꯊꯜꯂꯤꯕꯁꯤꯡ ꯑꯗꯨ ꯃꯈꯣꯌꯒꯤ ꯑꯣꯐꯤꯁ ꯃꯃꯥꯡꯗꯥ ꯃꯩ ꯊꯥꯗꯨꯅꯥ ꯃꯥꯡꯍꯜꯂꯕꯥ ꯃꯇꯃꯗꯥ 'ꯕꯣꯌꯀꯣꯠ ꯏꯟꯗꯤꯌꯥ' ꯒꯤ ꯁꯛꯇꯝ ꯍꯥꯌꯈꯤ꯫

নোংলৈ নুংশিৎতা মীওই ৫ শিরে
হী লাকশিনবদনা অঙাং ১ শিরে, ২ থীবা খঙদ্রি

জলপাইগুরি, এপ্রিল ০১ (এজেন্সি) : হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী নোংপোক্তা লৈবা জলপাইগুরি দিষ্ট্রিক্টতা লেন য়াওনা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ তৌবদগী হৌজিক ফাওবদা মীওই ৫ শিখ্রে হায়না ষ্টেট অসিগী চিফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা ফোঙদোরক্লি।

জলপাইগুরি দিষ্ট্রিক্টকী অয়াম্বা মফমদা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ অদুনা মীওই ১০০ হেন্না অশোক অপন নংহনখি। মীওই কয়াগী য়ুম অমসুং শঙ্গোই কয়া হুমদোকপগা লোয়ননা নুংশিৎনা মরম ওইরগা তুরকপা উ অমসুং ইলেক্ত্রিক্ট পোল কয়ানা অকায় অতোয় থোকহনখি। জলপাইগুরিগা থংনবা মৈনাগুরিদসু নোংলৈ নুংশিৎকী শাফুনা অমাং অতা কয়া থোকহনখি হায়রি।

থৌদোক অসিদা অশোক অপন য়াওবা মশিং হেনগৎলকপনা সি এম মমতা বেনর্জি দিষ্ট্রিক্ট অসিদা ঙরাং নুমিদাংৱাইরম চংশিন্দুনা অৱা-অনা তারবশিং অমসুং অশি-অনা য়াওবা ইমুংগী মীওইশিংগা উন্নখি। নোংলৈ নুংশিৎ অসিনা শোকহল্লবা মীয়ামদা মহাক্না লৈঙাক্কী মাইকৈদগী পাঙবা য়াবা মতেং পাংগনি হায়খি।

মীয়ামগী মাইকৈদগী অশি-অনা য়াওরবা ইমুংশিংদা অমদি নোংলৈ নুংশিৎ অসিনা অমাং অতা থোকহল্লবশিংদা কম্পেন্সেসন পীগদ্রা হংলুবা মতমদা হৌজিক্তী ইলেক্সনগী মোদেল কোদ ওফ কন্দক্ট লৈবনিনা মহাক্না করিসু হায়বা ঙমদে। মদুগী মতাংদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন তানবীয়ু হায়না খুল্লমখি।

খঙহৌদনা হৌরকখিবা নোংলৈ নুংশিৎ অসিনা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী রাজহট, বার্নিস, বকালি, জোরপাকদি, মধবদঙ্গা অমসুং সপ্টিবারি হায়রিবা দিষ্ট্রিক্টশিং অসিদা মনা-মশিং অমসুং অতৈ ক্রোপ কয়া অমাং অতা থোকহল্লল্লে হায়রি।

নাকল অমরোমদা অসামগী সাউথ সলমারা-মনকছার দিষ্ট্রিক্টতা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ মরক্তা হোন্দুনা লাকপা হী অমা ব্রহ্মপুত্র মনুংদা লাকশিনখিবদগী মদুদা তোংলকপা চহী ৪ খক্তা ঙাইরিবা অঙাং অমা শিখ্রে অদুগা হৌজিক ফাওবদা মীওই অনীগী হকচাং থিবা ফংদ্রি হায়রি।

ঙরাং নুমিদাংৱাইরম অকনবা লেন য়াওনা চুখিবা নোং মরক্তা মীওই ১৫ তোংদুনা ব্রহ্মপুত্র তুরেলদা হোল্লকখিবা হী লাকশিনখিবা থৌদোক্তুদা মীওই ১২ দি তুরেল খোঙবান তম্না ইরোয়দুনা লাকখিবদগী হিংহৌরে হায়না অসাম ষ্টেট দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটি (এ এস দি এম এ) না ফোঙদোরক্লি।

এস এস দি এম এ গী রিপোর্ট মতুং ইন্না হী অসি সিশুমরা ঘাৎতগী নেপুরর অলগা ঘাৎ তম্না হোল্লকখিবনি। থৌদোক অসিদা শিখ্রবা অঙাং অদুগী হকচাংদি ফংবা ঙমখ্রে অদুগা মাংখিবা হকচাং অনীদু ফংনবা এস দি আর এফ টিম য়াওনা ঙসি অয়ুক্তগী লেপ্তুনা থীরি। এন দি আর এফ কী টিম অমসু মফম অসি তম্না চংশিনখ্রে হায়রি।

ꯃꯥꯡꯈꯤ / MARKSHEET LOST

I have lost my Original Marksheet of HSLC bearing Roll No. 27294 of 2010 issued by Board of Secondary & Senior Secondary Exam bearing roll nos. 7110704 of 2017 issued by North East National Board of School Education on the way between Ningthoukhong and Bishnupur on 25/03/2024.

Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Khundrakpam Santosh Singh**
Ningthoukhong Ward No. 9
9615300546, 8794532452

HL-P/10333/02 Apr.

ꯌꯣꯟꯖꯔꯤ / য়োঞ্জরি

পৌরাবী লাই হরাওফম মনিং সড়ককা তাইননা লৈবা ৬৫.৩ চাউবা ফৌরেল লৌফম অমা অথুবদা য়োঞ্জরি। কনাগুম্বা পাম্বীবশিংনা ফোন নম্বর ৬০০৯১০৩৩৮১ অসিদগী অকুপ্পা ৱারোল খঙবীবা য়াগনি।

HL-P/10016/2,5 Apr.

ꯃꯥꯡꯈꯤ / PASS BOOK LOST

I have lost my Saving Passbook of Head Post Office Imphal bearing A/c No. 010037425896 on the way from Wangjing to Imphal on 30 March, 2024.

Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **S. Robert**
Contact No. 7006196782

HL-P/10015/02 Apr.

IN THE COURT OF
ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER-II, D.S.L.R, MANIPUR

Ref :- Mut Case No. 46/AS&SO-II-2024 **Date: 01/04/2024**

Lansingam Gangmei, S/o Khundaijei Gangmei of Gaidimjang Khoupum Tamenglong
- Applicant

- Vrs -

Khundaijei Kabui, S/o (L) Kamugong Kabui of Gaidimjang - Opp.

ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE

Date the 1st April, 2024

Under Section 46 (3) of M.L.R. & L.R. Act 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি খুল নং Khoupum Tampak, পাট্টা নং : X (অরিবা) 335 (অনৌবা) দাগ নম্বর 2023 এরিয়া 1.81 একর ফৌরেল অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে, মৃ: পাট্টারগী মমিং কল্লুগা দংকারি Lansingam Gangmei, S/o Khundaijei Gangmei of Gaidimjang Khoupum, Tamenglong দা নামা পানবিরো হায়না মথক্কী উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউচেদা হাপ্লকপা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌরোই কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেশ মখা চথরগনি।

Sd/- **Asst. Survey & Settlement Officer-II**
D.S.L.R. Manipur

HL-P/10325/02 Apr.

IN THE COURT OF
ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER-X, DSLR, MANIPUR

Ref :- Mut Case No. 166/AS&SO-X **Date: 1/04/2024**

Waikhom Drumasen Singh, S/o (L) W. Shamungou Singh of Thoubal Achouba
- Applicant

- Vrs -

(Late) Waikhom Shamungou Singh, S/o Achou Singh of Thoubal Achouba
- Opp.

ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE

Date, 1/4/2024

Under Section 46 (3) of M.L.R. & L.R. Act 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি তহশিল থৌবাল খুল নং ২৮ থৌবাল অচৌবা পাট্টা নং (i) ৪০১ (অরিবা) ৬৮০ (অনৌবা) দাগ নং ৫১২৭ এরিয়া .০৩৫০ হেক্তর (ii) ৪০১ (অরিবা) ৬৯০ (অনৌবা দাগ নং ৫১১৯ এরিয়া .২১৫০ হেক্তর চাউবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে, মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কল্লুগা দংকারি ৱাইখোম দ্রুমাসেন সিংহদা নামা পানবিরো হায়না মথক্কী উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি পাউ-চেদা হাপ্লকপা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌরোই কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চৎথরগনি।

Sd/- **Asst. Survey & Settlement Officer-X**
DSLR, Manipur

HL-P/10328/02 Apr.

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAWOMBUNG, IMPHAL-EAST

Ref :- Mutation Case No. 72/SDC/SWG of 2024

Parties:- Mutum Mala Devi, W/o (L) Mutum Dhiren Singh of Khurai Ahongei Leikai
- Petitioner

-VS-

Late Pattadar
Mutum Dhiren Singh, S/o Kulabidhu Singh of Khurai Ahongei Leikai
- Opposite Parties

ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE

Sawombung, the 1st April, 2024

Under Section 46 (3) of M.L.R & L.R Act, 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি সওম্বুং তহশিলগী খুন নং: 76-Tellou পট্টা নং: 333 (অরিবা) 568 (অনৌবা) দাগ নং: 1063 মোট এরিয়া 1.52 একর চাওবা ফৌরেল লৌফমগী পাট্টাদার Mutum Dhiren Singh অসি মৃত ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা মৃত পাট্টাদারগী মমিং কল্লুগা মহাক্কী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগী মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা আপতি/ওবজেক্সন তৌনিংবা লৈরবদি খবর অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্কুনা আইবা চে ওইনা আপটি পীরবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা আপতি চে লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চৎথরগনি।

Sd/- **BC to SDC**
Sawombung, Imphal East

HL-P/10330/02 Apr.

IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, SAGOLMANG, IMPHAL EAST, MANIPUR

Ref: Mutation case No. : 52/SDC/SLG/IE-2024

Loitongbam Priyokumar Singh, S/o (L) Ibochou Singh of Keishamthong Thangjam Leirak
-Petitioner

- Versus -

(Late) Thingbaijam (N) Lilabati Devi, D/o Iboyaima Singh of Keishamthong Thangjam Leirak
- Opposite Party

ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE

Sagolmang, the 1/4/2024

Under Section 46(3) of MLR & LR, Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি ই: ই: তহসিল খুল নং 31-Waiton পাটা নং 184 (অরিবা) 444 (অনৌবা), দাগ নং 1169, 1170, মোট এরিয়া 1.78+.64=2.42 একর চাওবা Phourel লৌফমগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে মরম অসিনা মথক্কী পেটিস্নর অসিনা মৃতু পাট্টাদারগী মীং কল্লুগা মহাক্কী মমিংদা নামা পানবিরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অসিনা মরম ওইদুনা মৃতু পাটাদারগা মরী লৈনবা কনাগুম্বা মীওইশিংনা আপতি Objection তৌনিংবা লৈরবদি পাউ-চে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ তরেৎ (৭) নিগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্কুনা অইবা চেনা আপতি/Objection তৌরবা য়াগনি মতুংদা লাকপা আপতি চে লৌজরোই, কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না থবক মখা চথরগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector,**
Sagolmang, Imphal East

HL-P/10331/02 Apr.

IN THE COURT OF ASST. SURVEY & SETTLEMENT OFFICER-XII, KAKCHING

Ref :- Mutation Case No. 36/AS&SO/K-XII **Date. 01-04-2024**

Elangbam Sharat Singh, S/o (Late) Elangbam Achou Singh of Hiyanglam Makha Leikai
...Petitioner

- Vrs -

(Late) Maisnam Ningol Elangbam Ongbi Angoubi Devi, W/o (Late) Elangbam Achou Singh of Hiyanglam Makha Leikai
...O.P.P.

ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE

Kakching, the 1st April, 2024

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি, হিয়াংলম তহশিল খুল নং ৬৮-হিয়াংলম অনৌবা পাট্টা নং: ৩১৬ অরিবা পাট্টা নং: ৬৮/২৫৩ দাগ নং: ১৯৯ গী লম একর .৪১ চাউবা ইংখোল অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃ: পাট্টাদারগী মীং কল্লুগা উক্তা দংকারি মচানুপাগী মীংদা নামা পানবীরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা Objection তৌবিনিংবা লৈরবদি পাউ-চে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্কুনা Objection তৌবিরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই, কেস মখা চথরগনি।

Sd/- H. Ibohal Singh
Asst. Survey & Settlement Officer-No. XII,
Kakching

HL-P/10327/02 Apr.

GOVERNMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE OF SERICULTURE
ꯅꯣꯇꯤꯐꯤꯀꯦꯁꯟ/NOTIFICATION

Imphal, the 28th March, 2024

No. Seri-III-Est-9/2016/107 : In supersession of all previous Notification No. Seri-III-Est-9/2016, dated the 8th March, 2024, the last date for online submission of forms for direct recruitment to the following posts in the Department on contract basis is extended upto 30th April, 2024.

Sd/-
Director (Sericulture)
Manipur.

HL-B/8673/02 Apr.

ꯅ꯭ꯌꯨ ꯑꯦꯔꯥ ꯀꯩꯅꯥ ꯒꯥꯔꯂꯁ ꯍꯣꯁꯇꯦꯜ

NEW ERA KEINA GIRL'S HOSTEL

OPPOSITE IMPHAL COLLEGE GATE, KWAKEITHEL NINGTHEMKOL LANE 2

ADMISSION AND COUNSELLING OPEN 2024

FOR CLASS XII SC (COHSEM)

SPECIAL FEATURES :

i) Tutorial classes inside hostel only by well trained, qualified and dedicated teachers currently serving in most reputed schools in the city.
ii) Van services from hostel.
iii) Extra Classes for weak students.
iv) Printed study materials.
v) Strict rules & regulations.
vi) Traditional nutritious, hygienic and delicious fooding menu on rotational basis.

SESSION STARTS FROM 4TH APRIL, 2024

40 Seats only

CONTACT : 9366407996, 9366299374, 9383218404

HL-P/9986/16/3-4/4

CONCEPT TUTORIAL

THANGMEIBAND MEISNAM LEIKAI OPP THAU GROUND

THE BEST COACHING INSTITUTE IN IMPHAL SINCE 2015

CLASS 9 & 10
CBSE
18TH MARCH & 1ST APRIL 2024

CLASS 11 & 12
CBSE & COHSEM
1ST APRIL 2024

SUBJECT TOPPER
SCIENCE 100/100

T. SYLVIA 96.2%

HENRY KH 96.6%

OLIVIA R.K 91.8%

CLASS TIMING 4:45 - 8:15 PM

SEPARATE HOSTEL AVAILABLE FOR BOTH BOYS & GIRLS. VAN SERVICE AVAILABLE WITH AFFORDABLE FEES.

FOR MORE DETAILS PLEASE CALL 8794728538 / 8794303740

HL-P/9730/26 - 31 Mar to 6 Apr_Alt.

ꯑꯦꯗꯚꯥꯟꯁ ꯀꯣꯆꯤꯡ ꯏꯟꯁꯇꯤꯇꯨꯠ

ADVANCED COACHING INSTITUTE

NEET & JEE FOUNDATION

CONCESSION : 1. ACIANS/Former 2. Govt. school students 3. Two or more students of same family 4. freeship for position holders in class x & xii 5. 90% above 6. Freeship for position holders 7. 85% and above P.C.B of xii of 23 7. freeship for meritorious students NEET 22/23 (430 & above / 350 and above for sc & ST)

TEST SERIES: # 32 SUNDAY TEST SERIES # 20 TIMES UNIT TEST SERIES # 5 TIMES WHOLE UNIT TEST SERIES 4 . STATE LABEL MOCK TEST

PRIZES FOR TEST : 1st Rs 20,000 2nd Rs. 15,000 3rd Rs.10,000

COURSES : 2 yrs(xi class) , One year integrated course(Class xii) & 7 months (xii passed out) and only test series

Faciliteis : Van service, separate boys /girl hostel with wifi, separate weaker Student's class, extra dought session , provided study material.

LATEST QUESTION SET & STUDY MATERIALS FROM KOTA & ALLEN

FACULTY: More than 15Yrs Experienced faculties Including IITs

For details visit office of NAGAMAPAL LAMABAM LEIKAI & KWAKEITHEL AKHAM LEIKAI BRANCH 9862992105

HL-P/10156/21 Mar to 21 Apr.)

Unique Education CBSE ꯇꯤꯎꯁꯟ

Estd.2007 The first CBSE & ICSE Coaching Centre at Imphal.

ADMISSION OPEN

Vacation Course for NAVODAYA, SAINIK & Outsiders CBSE IX ,X ,XI, XIISc.&Arts.

3-months Foundation for CBSE / CoHSEM XI Sc.

5th-April-2024

IX & X -- English, Maths, Science & S-Science
XI & XIISc.-Physics, Chemistry, Biology & Maths

5-months Foundation for CBSE IX & X

5-months Foundation for CBSE & CoHSEM XII Sc.

Girls Hostel in the same block

Van service / Boys Hostel

Sega Road Konjeng Hazari Leikai. Opp Sangai Express

HL-B/8647/15 to 31